HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ





বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নরানসৈনাদা লৈবা অনীশুবা ইন্দিয়া রিজর্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি) গী ২৫শুবা রেজিং দেগী থৌরমদা বট্টালিয়ন অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ৱা ঙাঙবা

অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবা মনিমতুমদা লুপা লিশিং ১০ তেংবাঙখ্রে
☛ লামায় ২

লাই থাজসিরা নৎত্রগা থাজরোইসিরা হায়বসি প্রোব্লেম অমনি
লামায় ৪

ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা খুন্নাইসি মূখৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লি
☛ লামায় ৫

জিরিবামদা শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে
☛ লামায় ৬

চূড়াচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল কম্মিটিনা শিন্দুনা আই বি রোদকী সিনোট হোলদা ‘ইক্লেলাইজ’ গী থিমদা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবশিং




Vol. 46, Issue No. 243 | ইরাই, পোইনুগী ৯/১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 02, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## ‘ইক্লেলাইজ’ গী ৱাখল্লোন্দা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# তুংগীদমক মরু ওইনা নুপীশিংনা ঐচ আই ভি এইদসকী মায়োক্তা লেপকদবনি : লা গনেসন



### মণিপুরদা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নরিবা মীওই লিশীং ২৮ লোম লৈরি, এ আর টিগী লায়েং চখবনা মীওই লিশীং ১৩ রোমনি, ‘সু’দা লৈবশিংনা দ্রগ লল্লোনবগী থবক্তা য়াওশিনবা খুদক্কগী তোকপীরো : বিরেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী তুংগীদমক য়েংলদুনা মীয়াম পূন্নমক্না থৌদাং লৌদুনা ঐচ আই ভি/এইদস লাম্থেংনবগী মনুংদা মরু ওইনা নুপীশিংনা থৌদাং লৌগদবনি হায়না গভর্ণর লা গনেসননা ঙসি ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা ‘ইক্লেলাইজ’ হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইদস দে-২০২২গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জন য়াওনা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর/এম এল এ/ওফিসলশিং অমসুং এন জি ওশিং য়াওনা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক্তগী লাকপা মীয়াম্না শরুক য়াখিবা ঙসিগী থৌরম অসিদা গভর্ণরনা মখা তানা হায়, হৌজিকমক্কী ওইনা ঐচ আই ভি/এইদস অসি তরাইথোকপা য়াবা হেল্থ ইস্যু অমা ওইদ্রে। লায়না অসিগী মায়োক্তা পায়খৎলক্লিবা হেল্থ ওফিসলশিংগী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মীতৈ/মৈতৈগী এস টি দিমান্দদা অনৌবা খুরৌ

# অন্সমনা হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) না মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা লেপ্তুনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবদগী মপাং লূপশিং খক্তা নত্তনা মীয়ামদগী ফাওবা মতেং ফংলকপগা ইরোয়ননা দিমান্দ অসিগী পন্থুং য়ৌদ্রিবা ফাওবা মখা তাবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিঙৈগী চৈরক্তা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমনা দেল্লীদা ফাওবা চৎতুনা লুচিংবশিং উন্নরগা অইবা চেরোল ফাওবা পীশিন্দুনা দিমান্দ অসিগী মায়োক্তা লেপ্লকখ্রবা মতুং ঙসিসু চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম) গী মায়কৈদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দনবা/চলহনবা য়ারোই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা চহী লিশীং ২ হেনবগী সিভিলাইজেসনগী তাঙ্কক কয়া লৈরকখিবা অদুগা কুমজা ৩৩দগী হৌদুনা লৈরকখিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী ওইবা পুৱারীগা শাগোন্নরকপা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিংদা মান্নদবা মওংদা ফুরুপ অসিনা লৈরিবা মফমশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবশিংনি হায়দুনা পনবগী মনুংদা নেসনল হায়ৱেশিংগী ওইনা এসিয়ন হায়ৱে অমা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট (তুলিহল) অমা অমসুং রেল লম্বী ফাওবা য়ৌশিল্লক্লে হায়রি। মীতৈ/মৈতৈগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজ লৈবগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী ময়েক মীতৈ ময়েক লৈজবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা ফাওবা চল্লবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ফুরুপ অসিগী ক্লাসিকেল দান্স অমসুং ম্যুজিকনচিংবশিং অসি মালেমগী থাক্তা চাংদম্নীংঙাই লৈতনা লৈরিবা অমনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী রাস লীলা অসিসু লৈবাক অসিগী মপূং ওইবা ক্লাসিকেল দান্স ৮গী মনুংদা চল্লিবনি। লোয়ননা শাদানবা, উচেক-ৱায়া ফাবা অমসুং নূঙদা হকপনচিংবগী শিনফম ওইজবা ত্রাইবেলশিংগা মান্নদবা মওংদা মীতৈ/মৈতৈ অসি সর্ভিস সেক্টরদা য়েংলুরবসু য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন/মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন/রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া/ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া য়াওনা একাদেমিসিয়ন কয়াসু লৈবগা লোয়ননা মেদিকেল/ইঞ্জিনিয়ারিং অমদি স্পোর্টসনচিংবা প্রোফেসনেল সেক্টরশিংদসু নীংথিজনা শরুক য়ারবা ফুরুপ অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লি হায়রি।

অদুগা মণিপুর ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ২শুবা আই আর বিগী ২৫শুবা রেজিং দে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নরানসৈনাদা লৈবা অনীশুবা আই আর বিগী ২৫শুবা রেজিং দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা চিলদ্রেন হোম অমদি ওল্ড এজ হোমশিংদসু রেজিং দেগা মরী লৈননা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দিং ওফিসর টি লালবোইনা লুচিংবা পর্সনেলশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা বট্টালিয়ন অসিগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা পর্সনেল ৮দা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

## কাদানা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): চহী খুদিংগী পাঙথোরকপগুম ঙসিসু কোএলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না শিন্দুনা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম কোনুং মমাঙগী পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙদা লৈবা কাদাগী হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

## মৌনহা ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): ময়াক কনবা নাপী হীদাক থক্লুবীনি হায়বা মশাগী চহী ২২ রোমদা ঙাইরিবা ককচীং লাইথগোল লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী নুংশিতোম্বী এলিয়জ লিন্থোই, মপুরোইবা কে এস ঐচ মহেস কৌবী মৌনহা অমা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা থোকপদগী ককচীং কৈথেলদা লৈবা ইমা হোস্পিটালদা অহানবা ওইনা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখি। অদুগা শিজ হোস্পিটালদা মখা তানা লায়ন্নবনা রিফর তৌরকপদগী লায়কন্নরক্লবা মতুং ঙসি নোংঙাল্লমদাইপুং ১ রোম তারকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবীগী হকচাংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লুবা থৌরাং তৌরকপদা মহাক্কী মপাম ওইরিবা খাঙবোক্তগী মপামগী মীওই ২০ লোম লাক্লগা মীশি অসিগী মতাংদা চিংনবা লৈ হায়না পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী লৈখিদ্রবীগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌননবা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবগী চহী ৪ রোম শুরবা মচানুপা অমা লৈহৌরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Meetei/Meiteibu ST listta channabagi wafam thengtharibamakhei ayet apan henna thorakkani haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Relay Hunger Strike changsillakliba Doctor singga leingakka athuba matamda yasinnaba purakpana meeyamgi yaifaba oiroidra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- মসিনা দ্রগ লল্লোল্লি হায়রিসি চুল্লদি ঐ ভোট লেপ্পা ঙল্লক্লোইবো!



- সার মদু ঐঙোন্দা থোক্লি।

### মখেল খুলগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা নীংশিং নূঙ

## অহোম, মৈতৈ ১সুং নাগা ওইনা খুন্দানদ্রিঙৈদা মচিল মনাও ৩না লেপমিন্নখিবা মফমগী নীংশিং নূঙ টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিনফম ওইরে



নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : অদুঙৈ মতম অমদা হৌজিক লৈরিবা অহোমশিং য়াওনা মৈতৈশিং অমদি নাগাশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎনখিদুনা হায়রিবা মমিংশিং অসিগী মখাদা খুন্দানদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফুরুপ কাঙলূপ অহুমসিবু ওইহল্লকখিবা মচিল মনাও অহুমনা তোঙান তোঙান্না খুন্দা-লৈতানবা চৎনরমদাইদা পূন্না লেপমিন্নখিবা মফমনি থাজনরিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখেল খুলদা লৈরিবা মচিল মনাও অহুমগী নীংশিং যূম্বী অসিসু হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মনুং চলহনখিবদা নত্তনা টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিনফম স্পোট অমা ওইরক্লে।

পুৱারীগী লাতমশিংদগী থেংনবগী মতুংইন্না মচিল মনাও নুপা ৩গী মনুংদা অহোম ওইনা খুন্দারক্লিবা অসিনা মচিল মনাও অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী অহলনি অদুগা অনীশুবনা মৈতৈশিং ওইনা লৈরক্লিবা অসিনি হায়বগা লোয়ননা খ্বাইদগী ইতোন তোনবা মনাওনুপানা হৌজিক নাগাশিং হায়না খঙনরক্লিবা অসিনি হায়বগী ৱাফম য়াওরি।

পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মফম অসি ইম্ফালদগী চাওরাক্না কিলোমিটর ৯০ রোমদমক লাপ্পী। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৬০ রোম ওইরিবা সেনাপতি কৈথেলদগীনা মফমসি য়ৌবা ফাওবদা কিলোমিটর ৩০ রোমগী লম্বী অমা চঙগদবনি। হৌজিক্লা তোঙান তোঙানবা মমিং মথা থোন্দুনা খঙনরক্লবা চীংমী-তম্মী খক্তা নত্তনা অহোমশিংগসু মচিল মনাও অমত্তা ওইমিন্নরম্মী হায়বগী থাজনরিবা মফম অসিদা য়ুংলিবা নীংশিং ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

# গুজরাট এসেমব্লিগী ১বা ফেজগী মীখল : চাদা ৭২.৩২ য়ৌনা থাদনখি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী পোক্লফম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটকী ১৫শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী অপূনবা সিট ১৮২গী মনুংদা ঙসি অহানবা ফেজদা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮৯গী মীখল পাঙথোকখ্রে।

মপূং ওইনা থোকহন্নীংদবা কা হেনবা থৌদোকশিং য়াওদনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৮৯গী মীখলদা অপূনবা কেন্দিদেট ৭৮৮না লম্বা তৌনখি। অদুগা অপূনবা কেন্দিদেটশিং অসিগী মনুংদা নুপী কেন্দিদেট খ্বাইদগী য়াম্না থাদোকপা পোলিটিকেল পার্টিনা বি জে পিগী নুপী মীরেপ ৯না ওইখি। পার্টি অসিগী মথংদা কোংগ্রেসনা নুপী কেন্দিদেট ৬ লম্বা তৌনহল্লগা গুজরাটতা এবসোলুট মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক পায়গনি হায়রিবা আম আদমি পার্টিনা নুপী মীরেপ ৫ থাদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ফেজগী মীখল অসিদা শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিং য়াওদনা ভোট থাদনখিবা লোইরবা মতুংদা ফংবা প্রোভিজনেল দাটাগী মতুংইন্না মীখল পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদগী টাপি দিষ্ট্রিক্টতনা ভোটরশিং খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোক্লরক্তুনা চাদা ৭২.৩২গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মতুংদা ত্রাইবেলনা নম্না তাবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিং ওইরিবা ভ্যারা অমসুং নিজার এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদনা চাদা ৬৮.০৯গী চাংদা ভোট থাদনখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুংথিল পুং ৫ তারকপা ফাওবদা ষ্টেট অসিগী সৌরাষ্ট্রা রিজনগী মনুং চনবা ভাবনগরদনা চাদা ৫১.৩৪গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈখিবা ভোট থাদনখিবগী চাংনা নভসারি দিষ্ট্রিক্টতনা চাদা ৬৫.৯১, দাং দনা ৬৪.৮৪, ভলসার-৬২.৪৬ অমসুং গির সোমনাথ - ৬০.৪৬নি হায়রি।

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি ইলেক্সনগী ঙসি অহানবা ফেজগী মীখলদা মশাগী চহী ১০৪ শুরবা রামজি ভাই কৌবা ভোটর অমনা পোষ্টেল বেলোটকী খুৎথাংদা ভোট থাদবদগীদি ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি অসিদা মশামক লাক্তুনা ভোট থাদবনা নুংঙাইজে হায়না ফোঙদোরকপগী ৱাফম ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

ঙসি ভোট থাদনবা হৌরকপদগী পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা নীংথিজনা ফঙ্কসন তৌরক্তবা য়াওরকপদগী বেলোট য়ুনিট ৩৩, কন্ট্রোল য়ুনিট ২৯ অমসুং ভি ভি পেদ ৬৯ শিন্দোক শিঞ্জিন তৌখি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অদুগা ভোট থাদবা হৌবগা পন্থদনা শরুক য়াদুনা ভোট থাদনখিবা মরু ওইবা মীওইশিংগী মনুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিজয় ভুপানি, গুজরাট ষ্টেট বি জে পিগী চীফ সী আর পটিল, রাজ্য সভাগী মেম্বর পরিমাল নাথৱানি, জাম নগর নোর্থতা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা রিভাভা জাদেজা, হান্নগী ওপোজিসন লিদর পরেস ধনানি, গুজরাটকী এ এ পিগী প্রসিদেন্ট গোপাল ইটালিয়ানচিংবা য়াওখি। রিভাভা জাদেজানা রাজকোটতা ভোট থাদরগা মহাক্কী মপুরোইবা ক্রিকেটর রবিন্দর জাদেজানা জাম নগরদা ভোট থাদখি।

ভোট থাদনরিঙৈগী মনুংদা জাম নগর দিষ্ট্রিক্টকী জামজোধপুর টালুকাগী মনুং চনবা ধ্রাফা ভিলেজদা ভোটরশিংনা পোল্লিং বূঠতা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙাননা খাইদোক্লগা থমদে হায়বগী প্রোটেষ্ট তৌরকপা য়াওখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সিট ৮৯দা লৈখিবা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৪,৩৮২নি। সিটশিং অসিদা এ এ পিনা সিট ৮৮দা মীখল থেংনরগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৩৩৯সু লম্বা তৌনরি। অতোপ্পা পার্টিশিংগী মনুংদা বি এস পি ৫৭, বি টি পি ১৪ অমসুং সী পি এমগী কেন্দিদেট ৪ য়াওরি। মীখল অসিগী রিজল্ট থা অসিগী ৮দা লাউথোক্কদবনি।

## ট্রান্সজেন্দরশিংনা পুক্লিং হন্থরোইদবনি : মিনিষ্টর রঞ্জন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): ট্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর সাসো অমসুং পাথনা শিন্দুনা ঙসি ৱর্ল্ড এইদস দে ২০২২ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা ট্রান্সজেন্দরশিংনা পুক্লিং হন্থদনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ট্রান্সজেন্দরশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়খ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট সী এম ও ওফিসকী মায়োক্লবদা ইক্লেলাইজ হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর রঞ্জননা মখা তানা হায়, ট্রান্সজেন্দরশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংনরম্বা খুদোংচাদবা কয়া অদু হৌজিক্তি লৈত্রে হায়বা য়াই। মতম অমদা ট্রান্দজেন্দরশিংনা অমম অথেংদা চৎপা মতমদা মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবা অমদি ফুবগী থবক ফাওবা চখনরমখি। অদুবু হায়রিবশিং অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। অদুম ওইনমক ট্রান্সজেন্দরশিংনা হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা লম খরদা খুদোংচাদবা অদুম্মক মায়োক্লরি। খুদোংচাদবশিং মায়োক্লে হায়দুনা পুক্লিং হন্থবা তৌগনু। হৌজিক লৈরিবা পেরিয়দ অসি ট্রাঞ্জিসন পেরিয়দনি। তপ্না তপ্না ট্রান্দজেন্দরশিংগী মফম চপ চানা লৈরক্লগনি। হৌজিকসু ট্রান্সজেন্দরশিংবু মীয়াম্না ফিদা পীবা হৌনরক্লে।

অমরোমদা ট্রান্সজেন্দরশিংনা ঐচ আই ভি/এইদস চেক তৌবগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী। মরমদি মখোয়না মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদুনা চেক তৌবা মতমদা মশা মতোমতা নুংঙাইজদবা ফাওরি। অদুবু জেনিমসতা ট্রান্সজেন্দরশিংগী ওইনা তোঙাননা খূদোংচাবা খরা পীরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ট্রান্সজেন্দরশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইট কয়া ফংদনা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগা খন্নদুনা অথুবা মতমদা ফংহল্লগনি হায়খি।


ঙসিগী থৌরম অদুদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. লোকেশ্বর, মেক্সকী জোইন্ট দিরেক্টর অভিরাম মোংজম, ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী খুমন্থেম দাইনা অমদি রিজনেল দিপ্যুটি দিরেক্টর এসিয়া সী দি সী ব্রাইন কোলোদজে সকিসু মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## এক্স এম এল এ, ও লোহরিগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম শুপ্নগী লুপা ১০,০৪৮ ওইখি

### ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিং খঙমিন্নসি-১৯

**ও লোহরি (তদুবী)**

খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : তাঙ্কক অনী থোক্লা হন্দক চহীদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ৪৯-তাদুবী (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা হান্নগী এম এল এ, ও লোহরি (৬৯) সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা চৱাইনামৈ খুলেনদগী ওবোগী মচানুপানি। মহাক কুমজা ১৯৭৯দা নেহু য়ুনিভর্সিটিদগী হিষ্ট্রিদা মাষ্টর লোইশিনখি। মহাক্কী লোয়নবী খরে বেসা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমদি বিজিনেস ওনর অমা ওইনা থবক তৌবী নুপীনি।

মীখলগী মাঙওইননা মহাক্না ইলেক্সন রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা এফিদভিট অদুগী মতুংইন্না মীখল মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা শেল ওইনা লুপা ১,০০,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০ লৈখি। মহাক্কী এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৪৮ লৈখি। অনীশুবা এস বি আইগী করেন্ট একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১০,০০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১১,০৮৮ লৈখি। মখোয় অনীগী মীংদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবা, গাড়ি লৈখিবা, সনা-লুপা কয়া লৈ অমদি অতোপ্পা লন-থুমগী শেনফম কয়া লৈ হায়বা এফিদভিট অসিদা পন্দে। মহাক্কী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি শুপ্নগী লুপা ১০,০৪৮ ওইখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফমনা শুপ্নগী লুপা ১১,০৮৮ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ ওইনা অন-সর্ভে লেন্দদা কাশিদা একর ৪; ভেখিদা একর ১ অমদি ইফ্রিখরোংদা একর ১ রোম পাক চাওবা লমশিং লৈ। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদদি লৈতে। মখোয় অনীগী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ অমদি কর্ম্মসিএল বিল্ডিং অমত্তা লৈতে। মহাক্কী মীংদা তাদুবি ভিলেজদা সক্কার ফিট ১,২০০ রোম পাক চাওবা লমদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অমা লৈ। মহাক্কী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসিনা লুপা ২,১৭,০০,০০০ ওইখি। মহাক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# সেক্স্যুএল এসোল্ট : কষ্টমরি লোগী মহুত্তা জ্যুদিসিয়ারিগী মখাদা ৱায়েল চখবনা চুমগনি : দারঙম খলিং

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু নুপী, নুপীমচা খক্তদা নত্তনা নুপামচাশিংদসু নমদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা সেক্স্যুএল এসোল্টকী থৌদোক কয়া অমা লেপ্তুনা থোরকপগী মনুং চন্না হন্দক্তসু ইকুই কুইদ্রিঙৈদা চহী নৌরিবা নুপামচা অমবু সেক্স্যুএল এসোল্ট তৌখিবগী ৱাথোক লৈরি হায়রদুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি দারঙম খলিংনা অসিগুম্বা থোক্লোইদবা থৌদোকশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা কষ্টমরি লো/কষ্টমরি প্রাক্টিসতা লোইশিনখিবনা ভিক্টিম কয়াবু ঐচ আই ভি/এইদসকা লোয়ননা হিংবসু য়াওরি হায়না ফোঙদোরক্লে।



ঙসি মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ‘ইক্লেলাইজ’ হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ৱর্ল্ড এইদস দে পাঙথোক্লখিবগুম দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়াখিবী মেম্বর সেক্রেটরিগা অখন্ননা উন্নবদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোরকখিবনি।

দারঙম খলিংনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবা মরাল লৈরবা মীওইশিংবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা জ্যুদিসরিগী ওইবা ৱায়েল হায়বদি লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎতনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী চৈথেং ফংলবা নুপামচা/নুপীমচাশিংবু থৌদোক থোক্লিবা মফমশিং অদুদা চৎনরিবনি হায়বা কষ্টমরি লো/কষ্টমরি প্রাক্টিসতা ৱারোইশিন পুরকপা য়াওবনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস লৌখৎতবদগী লোগী মতুংইন্না পাঙথোকফম থোকপা থবক কয়া পাঙথোক্তবা য়াওই। খুদম ওইনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা এক্যুজশিংনি হায়বা মীওইশিং অদু য়াওনা ভিক্টিমশিংগী মেদিকেল এগজামিনেসন তৌবসু য়াহন্দে। অদুগা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী ভিক্টিম ওইহৌরবশিংবু ...মখা লামায় ৫ কলম ১

## খৎন-চৈনবা থৌদোক্তনি হায়দুনা নুপী ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : ইমুংদা য়ূম্বানমীন্নরিবা মপুরোইবগা খৎন-চৈনবনি হায়বা থৌদোক্তা মশাগী চহী ৪৫ লোম শুরবী অদুগা মচা ৪গী মমা ওইরিবী নুপী অমা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা কুম্বী পি এসকী মনুং চনবা তেরাখোংগী মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মমিং নোংমাইথেম নিংঙোল থিয়াম ওংবী বিক দা লৈমা, মপুরোইবগী মমিংনা টি ঐচ দেবেন কৌই। মহাক মপুরোইবগা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা কোক্তা শোকপদগী লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং পোৎলোইনবা হোৎনরম্বদগী চিংনরক্তুনা নুপী ময়ূমনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌবদগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোক্লবা রিমসকী মোর্গতা পুখৎলকখ্রে। লোয়ননা ৱাহং পাউহংনবা মপুরোইবসু ফাগৎলে হায়রি।